বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা ৪০শুবা ১দি ৩শুবা ষ্টেট লেভেল জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন (এএমজিএ) না শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টদিয়মদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৮ দগী লাকপা জিম্নাষ্ট নুপা শান্নরোই ৪১ অমদি নুপী জিম্নাষ্ট ৩৯ না পুন্নঠ শান্নরোই ৮০ না শরুক য়াদুনা চৎখরকখিবা ৪০শুবা সব– জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র আর্টিষ্টিক অমদি ৩শুবা এরোবিক ষ্টেট লেভেল জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

পাংথোক্লিবা জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা গোল্ড মেডল ১২, সিলভর মেডল ১২ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ১০ ফংলগা পুন্না মেডল ৩৪ ফংবা ঙল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। য়ুৱাইএসি কোংবা উচেক্কোননা টিম রন্নর্স অপ তাখি।

দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী নুপী জিম্নাষ্ট পামে বাবিয়ানা না নুপীগী ওইনা ওভর চেম্পিয়ন অমসুং য়ু ৱাই এ সি গী নুপা জিম্নাষ্ট হৱাইবম দেবরাগ খুমননা নুপাগী ওইনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখি।

ঙসি লোইশিনখিবা নুমিৎতা চহি ৮ মখা নুপীমচাগী উনেভেন ব ার সভেন্টতা হোকি য়ুনিয়নগী এন অরিনা না গোল্ড, দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী ঐচ তনুজানা সিলভর অমদি য়ু ৱাই এ সি গী অঞ্জোরি পি না ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। ইভেন্ট অসিমক্কী চহি ১৬ মখা নুপীমচাগীদা বিষ্ণুপুরদগী বাবিনা পামে, পাম্বোই অমদি ঐচ জেসিকা না মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংখি।

চহি ১২ মখাগী নুপীমচাগী বেলেন্সিং বার ইভেন্টতা বিষ্ণুপুরগী ঐচ তনুজানা গোল্ড, হোকি য়ুনিয়নগী এন অরিনানা সিলভর মেডল অমদি য়ু ৱাই এ সি গী অঞ্জোরিনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। চহি ১২ মখা নুপামচাগী পেরেলেল বার ইভেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী টি অবিনাশনা গোল্ড, এসোসিয়েসন অসিগীমক্কী কেঐচ লক্সমননা সিলভর মেডল অমদি য়ু ৱাই এ সি গী কে নেলদাশনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

চহি ১৬ মখা নুপীমচাগী ফ্লোর এক্সরসাইস ইভেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী কেঐচ পাম্বোই, বাবিনা দেবী অমদি ঐচ জেসিকানা মথংশিংনা গোল্ড সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি। নুপীমচাগী চহি কাংলুপ অসিগী বেলেন্সিং বীম ইভেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী বাবিনা পামে, ঐচ জেসিকা অমদি ঐচ লিম্বোই শিংনা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংখি।

চহি ১৪ মখা নুপামচাগী হোরাইজেন্টেল বার ইভেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী এম কাংলৈপাননা গোল্ড, য়ু ৱাই এ সি গী ও উমাজিৎনা সিলভর অমদি হোকি য়ুনিয়নগী এ রোনাল্ডনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংখি।

চহি ১২ মখা নুপামচাগী রোমনা রিংস ইভেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরদগী কেঐচ লক্সমন, টি.চ অবিনাশ অমদি ও রোহিটনা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেডলশিং ফংখি। চহি অসিমক্কী নুপামচাগী পোম্মেল হোর্স ইভেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী কেঐচ লক্সমন অমদি টিঐচ অবিনাশ অনিনা মথংশিংনা গোল্ড অমদি সিলভর অমসুং য়ু ৱাই এ সি গী ঐচ প্রেমরাজনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

চহি ১৪ মখা নুপামচাগী রোমান রিং ইভেন্টতা য়ু ৱাই এ সি গী ঐচ দেবরাগ খুমননা গোল্ড, য়ু ৱাই এ সি গী ও উমাজিৎনা সিলভর অমদি হোকি য়ুনিয়নগী এ রোনাল্ডনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

চহি ৮ মখা নুপীমচাগী ফ্লোর এক্সরসাইস ইভেন্টতা ইম্ফাল ইষ্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসনগী ভেরোনিকা এম না গোল্ড, ইম্ফাল ইষ্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসনগী কে সুজাননা সিলভর মেডল, য়ু ৱাই এ সি গী আর কে লখ্নেনবী অমসুং পিঐচৱাইএলও গী প্রিতি এন অনিনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

চহি ১০ মকা নুপীমচাগী ফ্লোর এক্সরসাইস ইভেন্টত ইম্ফাল ইষ্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসনগী পি রোশনিনা গোল্ড মেডল, য়ু ৱাই এ সি গী গ্রেসনি পি না সিলভর মেডল অমসুং য়ু ৱাই এ সি গী কে লখ্নেনমৈলু অমদি হেনজুনহা য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী কেজাসমিন অনিনা পুন্না ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

এরোবিক ওপন কেটাগোরিদা হেনজুনহা য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী মেরিনা গোলমৈনা গোল্ড মেডল অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী জিম্নাষ্টিক্স এসোসিয়েসনগী লৈশিলেম্বী চনুনা সিলভর মেডল ফংখি।

ইদুকেসন মিনিষ্টরনা অহানবা ইন্সপিয়র কপ ২০১৯ হৌদোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ মণিপুরগী মীয়াম অসি স্পোর্টসগা তৎন–থানবা য়াদ্রবা লমদম অমনি। ষ্টেট অসি পীকচরবসু ইন্টর নেসনেল এরেনদা লৈবাক অসিগী মিংচৎ কয়া পুরক্লি হায়না ঙসি উরেপ স্পোর্টসনা হেরেল ষ্টুদিওগা খুৎশন্নদুনা ৱাংজিংগী কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স গ্রাউন্দদা পাংথোকখিবা অহানবা ইনস্পিয়র কপ ২০১৯ ইদিসন, য়ু–১৭ য়ুথ ফুটবোল কম্পিটিসন অমসুং ইন্টর স্কুল বোইস ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা ইদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা চিফ গেষ্ট ৱারোল পীরদুনা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ ২০১৭ দা ষ্টেট অসিদগী শান্নরোই ৮ না শরুক য়াখিবদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি। স্পোর্টস অসি ঙসিদি ষ্টেট অসিদসু প্রোফেসন অমা শান্নরি। লোয়নননা স্পোর্টস অসি প্রোফেসলিজম অমা ওইনা লাকপা হৌরে। লৈবাক অমসুং ষ্টেট অসিদা হেন্না ফবা ফেসিলিটিশিংগা লোয়নননা প্রোফেসনেল প্লেয়র কয়া অমা ফুটবোল শান্নরি।

চহি ১৭ মখাগী ওইবা ফুটবোল কম্পিটিসন অমা পাংথোক্লিবা অসিনা য়ুথশিংদা স্পোর্টসপু হেন্না থৱায় য়াওশিন্নবগী প্লেৎফোর্ম অমসু পীরগনি। মমা–মপাশিংনা নহাওইরিবশিংবু লমজিং–লমতাকপীগদবনি। মখোয়বু প্রেসর তৌরোইদবনি। মখোয়গী মশাদা য়াওরিবা ক্বালিটিশিং অদু দিভলপ তৌনবা হোৎনগদবনি।

ফুটবোল কম্পিটিসিন অদু হৌদোক্লে হায়না মিনিষ্টরনা লাউথোক্লদুনা প্লেয়রশিংনা গেম অদুগী রুল অমদি দিসিপ্লিনশিং অদু ঙাকনা শান্ননবা তকশিনখি।

ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ অদু হৌদোকপগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা সি টি হায়র সেকেন্দরি ময়াং ইম্ফালনা ইন্দিভর ফুটবোল ক্লব ৱাংজিংবু ৪–০ দা থোইখ্রে। য়ু–১৭ য়ুথ ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসি তোঙান তোঙানবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদগী টিম ২২ না শরুক য়ারি। চেম্পিয়ন্সিপ অসি মথং থা মার্চ ১০ ফাওবা পাংথোক্কদবনি হায়রি।

ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন (এএমভিএ)গী মীৎয়েং মখাদা কোনুমা মখা য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব (কে এম ৱাই দি সি)না শিন্দুনা হয়েংদগী ক্লব অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ৯ না গ্রুপ অনিদা শরুক য়ারগা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা মিখয়া ময়াং ইম্ফাল, কেএলৱাইজিসি কাংমোং এদিসি ফৌবাকচাও, রেসদো বেঙ্গুং, গ্রুপ বিদা রেদো ইরোং, ঐচৱাই দি সি সি এল হৈক্রু জম, য়ু এস ডব্লিউ সি উচিৱা, য়ু এস দি সি উপোকপী অমদি ৱাই দি সি য়াইরিপোক খোইরোমনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ বিগী ওইনা য়ু এস ডব্লিউ সি উচিৱাগা ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রু জমগা নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা এক্স মিনিষ্টর ডাঃ রতনকুমার, লিলোং কেন্দ্রগী এমএলএ অব্দুল নাসির, ৱাবগাই কেন্দ্রগী এমএলএ ফাজুর রহিমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইগনি।

১৭শুবা ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্টতা টিকেন এফ সি ১দি এফ সি লমজাও মায় পাকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (ৱাই দি এ) কৈরক মনিং লৈকাইনা শিন্দুনা থা অসিগী ৬ তগী হৌদুনা ৱাই দি এ গী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ৩০ না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা চৎখরিবা ১৭শুবা রুউন্দ ওপন ফাইফ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা রোয়ালা এফ সি ৱাবগাই অমদি কে ৱাই দব্লিউ এ সি ৱাবগাই কদাজিৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা মেটচতা রোয়াল এফ সি ৱাবগাইনা ৱাই দি এ (বি) কৈরক মনিং লৈকাইবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। শান্নখিবা মেটচ অদুদা রোয়াল এফ সি গী মায়কৈদগী চনখিবা মায় পাকপগী গোল অনি অদু কেঐচ বেবিসননা ২৩শুবা মিনিট অমদি কেঐচ প্রিয়োনা ৪২শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনিশুবা গ্রাউন্দগী মেটচ শান্নখিবদনা কে ৱাই দব্লিউ এ সি ৱাবগাই কদাজিৎনা এস দব্লিউ সি হিয়াংলম বু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অদুদা মায় পাকখ্রবা টিম কে ৱাই দব্লিউ এ সি গী মায়কৈদগী চনখিবা গোল ২ অদু শিতলনা ৩৩শুবা অমদি ৩৮শুবা মিনিটশিংদা গোল অনি চনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায়থিবা নংখ্রবা এস দব্লিউ সি টিমগী মায়কৈদগী চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ই রোশননা ৩৯শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখিবনি।

চৎখরিবা সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চৎখরকপা মেটচ ওইনা হয়েংগী নুংতিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ৱাই দি এ তেম্থা খুনৌ অমদি প্রেম এফ সি ককচিং খুনৌ অনিনা অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচতা শান্নরগনি। অমসুং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা কালিকা সেকমাইজিন অমদি তোলোই এফ সি তেম্থা খোংবালনা অনিশুবা গ্রাউন্দগী মেটচ শান্নরগনি।

ক্বার্টর ফাইনেলগী লাইন অপ লোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ চিংমী তম্মী য়ুনিটি এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (সিটিয়ুদিসি) না শিন্দুনা কৈরাও কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই বি সি গ্রাউন্দ লংদুমদা থা অসিগী ৮ দগী হৌদুনা পুন্না টিম ২৮ না গ্রুপ ৮ থোক্না খায়দোক্তুনা নোক আউট বেসিসতা চৎখরিবা ফার্ষ্ট চিংমী তম্মী য়ুনিটি ৱুমেন্স টগ ওফ ৱার কম্পিটিসন ২০১৯ গী লিগ রাউন্দগী মেটচশিং শান্নবা লোইখিবগা লোয়নননা ক্বার্টর ফাইনেলগী লাইন অপ লোইখ্রে।

হয়েং অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা গাম্মা রে চনম সন্দ্রোক অমদি তোমথিন নুপী লুপ, লংদুমগা শান্নরগনি। অনিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সিম্থা ঙম্বী নুপী লুপ, লংদুম অমদি লৈচল নুপী লুপ, লংদুমগা শান্নগনি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইসাইকোল থিয়াম অমদি ইমা পাম্হোইবী নুপী লুপ, কৈরাওগা শান্নরগনি। অরোইবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অরাপতি কেদুখোং অমদি টি কে এ ৱাই সি থিয়াম কোঞ্জিলগা শান্নরগনি।

ফার্ষ্ট খেলো ইন্দিয়া ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্পিটিসন লোইশিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

UNDER THE KHELO INDIA SCHEME, 2018 - 19
Org By : District Administration, Imphal West
Table Tennis
Venue : THAU Sports Complex

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার (দিৱাইএএসও) ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা "স্পোর্টস পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট" হায়বা থিমদা ফুটবোল, টেবল টেন্নিস, থাং–তা, খো–খো, কবাদ্দিগী ইভেন্টশিংদা চৎখরকখিবা ফার্ষ্ট খেলো ইন্দিয়া ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কম্পিসন ২০১৮–১৯ ঙসি লোইশিনখ্রে।

থাউ গ্রাউন্দদা পাংথোকখিবা চহি ১৭ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসুং থাউ ইন্দোর হোলদা পাংথোক্লিবা চহি ১৭ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনখিবগা লোয়নননা মকোক মথং তাখ্রবা টিম অমদি শান্নরোইশিংদা কেশ প্রাইজ য়াওনা মেডলশিং খুৎশিন্নখ্রে।

ফুটবোল মশান্নগী ওইনা নুপামচাগীদা বি এম এস সি অমদি এস দি সি টিম অনিনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বি এম এস সি না এস দি সি বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীরগা টিম চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স অপ টিম তাখ্রে। অমসুং নুপীমচাগী ওইনা থ্যু অমদি নিরভানা টিমনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থাউনা নিরভানানা গোল ১–০ দা মায়থিবা পীরগা টিম চেম্পিয়ন অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রে।

থাউ ইন্দোর হোলদা পাংথোকখিবা টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎকী মেটচশিংদা চহি ১৩ মখা নুপামচাগী ওইনা এস রোদিকনা চেম্পিয়ন, আর কে হিরাচন্দ্রনা রন্নর্স অপ অমদি কে হেম্বোইবা মোইরাং অমদি আ রকে কুলদিপ অনিনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখি।

চহি ১৩ মখা নুপীমচাগী ওইনা এন সুশমিতানা চেম্পিয়ন, আর কে চেংলৌঙানবীনা রন্নর্স অপ অমদি বেনিসিয়া আর কে অমসুং টি লমঙানবী অনিনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখি।

চহি ১৫ মখা নুপামচাগী ওইনা এল বেদজিৎনা চেম্পিয়ন, আর কে হিরাচন্দ্রনা রন্নর্স অপ অমদি এস রোদিক অমসুং এন পুশিবা অনিনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখি। চহি কাঙলুপ অসিগী নুপীমচাগী ওইনা এন সুশমিতানা চেম্পিয়ন, উশাকিরন এম না রন্নর্স অপ অমসুং পেত্রিসিয়া আর কে অমদি বেনিসিয়া আর কে অনিনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখি।

চহি ১৭ মখা নুপামচাগী ওইনা থোমস ই না চেম্পিয়ন, এল বেদাজিৎনা রন্নর্স অপ অমসুং আর কে হিরাচন্দ্র অমদি এন পুনশিবা অনিনা সেকেন্দ রন্নস অপ তাখি। লোয়নননা চহি কাঙলুপ অসিগী নুপীমচাগী কাঙলুপকী ওইনা পেত্রিসিয়া আর কে না চেম্পিয়ন, এন সুশমিতানা রন্নস অপ অমসুং উশাকিরন এম অমদি আ কে চেংলৌঙানবী অনিনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তামিন্নখি।

টেবল টেন্নিস লোইশিনবগী থৌরমদা রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী চিফ ইঞ্জিনিয়র টিঐচ নন্দকিশ্বরনা চিফ গেষ্ট, মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি টিঐচ জয়েন্তানা প্রসিদেন্ট, দিপার্টমেন্ট ওফ কম্ম্যুনিটি জিনিমসগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. ঐচ নিরেন্দ্র, থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাউ) গী প্রসিদেন্ট এন রঞ্জিৎনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

লমশাগী লমদেং খুনৌদা পাংথোকখিবা কবাদ্দি কম্পিটিসনগী ফাইনেলদা ৱাই এস সি না ইম্ফাল ৱেষ্ট কবাদ্দি টিমবু পোইন্ট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

খো খো মশান্নদা এ এস কে কে এ না এস এস সি বু পোইন্ট ৫ দা মায়থিবা পীরগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নেরোকা ১দি চেন্নাইগা ঙসি থেংনরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল ফেদরেসননা শিন্দুনা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা চৎখরিবা হেরো আই লিগ ২০১৮–১৯ গী নেরোকা এফ সিগী ৯ শুবা হোম মেটচ হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা চেন্নাই সিটি এফ সিগা থেংনরগনি। ঙসি পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা নেরোকা এফ সি গী হেদ কোচ মান্যুল রেতামেরো ফ্রাইলে অমদি রাইট বেক শান্নরিবা সেবষ্টিন থাংমুআনসাং অমসুং চেন্নাই সিটি ফুটবোল ক্লবকী ওইনা হেদ কোচ অকবর নৱাজ অমদি মিদ ফিল্ডর অলেকজেন্দর রোমারিওশিংনা শরুক য়াখি।

OFFICE OF THE
WANGJING WOMEN AND GIRLS SOCIETY (WWAGS)
WANGJING, THOUBAL DISTRICT- MANIPUR

RECRUITMENT NOTICE
9th February 2019

No.46/WWAGS/SVEP-ADVT: Applications are invited for empanelment ofCommunity Resource person- Entrepreneur Promotion (CRP-EP) which is a voluntary service for community with small honorarium.Interested candidates may submit their application along with his/her own handwriting bio-data, latest passport size photograph and attested certificates to the MSRLM KeiraoBitra Block Office.

Sl. No.	Title of CRP	No. of CRP-EP.	Remuneration	Educational Qualifications
1.	Community Resource Person – Enterprise Promotion (CRP-EP)	25	8,000 – 11,000	10 pass and above with good knowledge in Mathematic

Application form available at MSRLM KeiraoBitra Block Office during office hour from 11 February on ward.

Eligible Age - 22 to 40
Last date of submission of application form - 20th February 2019
Date of written Test and interview - 21st February 2019
Reporting time - 9:30 am
Venue - MSRLM KeiraoBitra Block Office.

*Notes:- *All the candidate should be the resident of KeiraoBitra Block,Imphal East. Candidates should bring original documents for written test and personal interview.*



PAY ₹10000/- AND GET VESPA ON EASY LOAN, INSTANT LOAN PROCESS, INSTANT DELIVER
TULASI MOTOR'S PVT. LTD., KHUYATHONG D.M.C ROAD, IMPHAL WEST, MANIPUR-795001
FOR FURTHER DETAILS PLEASE CONTACT :- # 9383237618, # 8787618315, # 9366671957

M/S BEE BRICK FIRM
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate (Rs)	No. Of Bricks	Amount (Rs.)	T/Charge (Rs.)	Labour (Rs.)	Total (Rs.)
1st Class	12.80	3,000	38,400	3,200	800	42,400
1st Class	12.80	2,000	25,600	2,100	500	28,200
1st Class	12.80	1,500	19,200	1,600	400	21,200
2nd Class	12.00	3,000	36,000	3,200	800	40,000
2nd Class	12.00	2,000	24,000	2,100	500	26,600
2nd Class	12.00	1,500	18,000	1,600	400	20,000
1st Reject	11.50	3,000	34,500	3,200	800	38,500
1st Reject	11.50	2,000	23,000	2,100	500	25,600
1st Reject	11.50	1,500	17,250	1,600	400	19,250
P.T.	10.50	3,000	31,500	3,200	800	35,500
P.T.	10.50	2,000	21,000	2,100	500	23,600
P.T.	10.50	1,500	15,750	1,600	400	17,750
3rd Class	7.00	3,000	21,000	3,200	800	25,000
3rd Class	7.00	2,000	14,000	2,100	500	16,600
3rd Class	7.00	1,500	10,500	1,600	400	12,500
Checktek 1 Load 407 Cantor			5,500	1,600	400	7,500

NT/76339/25 to 16 Feb

Please Contact:-
1. Production 2, KANTA 9615839170
2. Production 1, BIKOM 7005134130



IPS ꯑꯥꯏ.ꯄꯤ.ꯑꯦꯁ. FOUNDATION
A RESIDENTIAL BOARDING OF IPS, CANCHIPUR AT KYAMGEI- 795003
ADMISSION IS GOING ON FOR BOARDING- 2019
(FROM CLASSES I TO IX FOR BOARDING)

KFC OF IPS
IPS, CANCHIPUR
SHOOTING RANGE OF IPS
IPS BOARDING
GIRLS SHOOTERS OF JSR OF IPS, CANCHIPUR
JUPITER ASHEM
A Renowned Shooter & Gold Medalist of IPS Canchipur

Free Private Tuition (3 times a day) for Boarding by the Guest and Non-Guest Teachers
Free Transportation for all the Boarders of IPS Boarding
Free School Fees for all the Boarders of IPS Boarding
For details please contact : 8257807581/ 6909202874 (Reception)

SLOPELAND PUBLIC SCHOOL
Salt Village, BPO- Khongjom, -795148
Biggest and Finest Residential School in NE- India
(Affiliated to CBSE- New Delhi)
Contact: 9615965922/08119041131/9615520109
E-mail: slopelandpublicschool@yahoo.com
Web: www.slopelandpublicschool.com

POST VACANCY

Applications are invited from the eligible candidates on the plain paper with bio-data for the following vacant posts on or before 16th February, 2019

Sl. No.	Name of Post	Min. Qualification	No. of Post
1.	TGT Manipuri	BA/MA Manipuri	02
2	TGT Hindi	BA/MA Hindi	02
3	TGT Physics	BA/MA Physics Hon's	02
4	Rhyme Trainee	BA/B.Sc with Diploma in Rhymes	02
5	Thang Ta Instructor	BA/Ma with Diploma in Thang-Ta	02
6	Dance Instructor	BA/MA with Diploma in Modern/Flok Dance	02

Salary applicable as per CBSE norms.

Date of Interview is on 18/02/2019 at School Administrative Block at 10.30 a.m.

Sd/-
Principal
Slopeland Public School
Khongjom

Owned, Edited & Published by KHOIROM LOYALAKPA & Printed by him at Linthoi Offset Printers, Keishampat, Airport Road, Imphal., Tele # 2449086, 2441446 Fax # 2440353, E-mail : thoudangdaily@gmail.com, n_thoudang@yahoo.com